# মাষ্টর এথলেটিক্স মিট ২০১৪ হৌখ্রে

ATHLETIC

*ইম্ফাল, জনুৱারি ১৩ঃ* কৈশামথোং এলাংবম লৈকাই য়ুঠ ক্লবনা শিন্দুনা ঙসিদগী খুমন লম্পাক মেইন ষ্টেদিয়মদা ভেটরান এথলেট ১৭৫ না শরুক য়াদুনা মাষ্টর এথলেটিক মিট ২০১৪ হৌখ্রে। মিট অসিদগী খল্লবা এথলেটশিংনা মথং থাগী ২০ দগী ২৩ ফাওবা জয়পুরগী সৱাই মান ষ্টেদিয়মদা পাঙথোক্কদৌরিবা ৩৫ শুবা নেস্লেল মাষ্টর এথলেটিক চেম্পিয়নসিপ্তা মণিপুরগী মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়াগনি।



নুপীগী মিটর ৮০০গী লমজেলদা শরুক য়ারিবা এথলেটশিং।

অহৌবা নুমিৎতা পাঙথোকখিবা নুপাগী মিটর ১০০গী লমজেলগী চহী ৬০ গীদা এস মোটিলাল সিংহনা ১৩.৮০ সেকেন্দদা চেন্দুনা গোল্ড অমদি এন জি সোভা সিংহনা ১৪.১৮ সেকেন্দদা চেন্দুনা সিলভর লৌখ্রে। ইভেন্ট অসিগী চহী ৭০ গীদা খেলেন চোংথামনা ১৬.২৩ সেকেন্দ অমদি কে ইবোচৌ সিংহনা ১৮.১ সেকেন্দদা চেন্দুনা গোল্ড অমসুং সিলভর লৌখ্রে।

নুপাগী চহী ৫৫ জেল্লিন থ্রোগীদা এম দি রহি মুদ্দিননা ২১.৬০ মিটর অমদি ও ইন্দ্রমনি সিংহনা ২১.০০ মিটর লংদুনা গোল্ড অমসুং সিলভর লৌখি। চহী ৬০ গীদা এস গোজেন মৈতৈ অমদি এম দি অব্দুল মালিক্লা ৪৩.৮৪ মিটর অমসুং এম দি অব্দুল মালিক্লা ২২.৫০ মিটর লংদুনা গোল্ড অমদি সিলভর লৌখি।

চহী ৭০ গীদা এল ইবোপীশক মৈতৈনা ৩০.০০ মিটর, এল বিরেন সিংহনা ২৮.৪২ মিটর অমদি কে ঐচ ইবোচা মৈতৈনা ২৩.৩৫ মিটর লংদুনা গোল্ড, সিলভর অমদি ব্রোঞ্জ লৌখি।

নুপাগী মিটর লিশিং ৫ গী চহী ৪৫ গী লমজেলদা টি কালাচান্দনা ২৩.৪৩ মিনিট অমসুং এম রিসিকান্তনা ২৬.৪৫ মিনিটতা চেন্দুনা গোল্ড অমদি সিলভর লৌখি।

নুপীগী মিটর ৮০০গী লমজেলদা এস অবে দেবীনা ১.৫০ সেকেন্দ, কে ইনাওতোম্বী দেবীনা ১.৪৯ সেকেন্দ অমদি এস সনাতোম্বী দেবীনা ৩.৩৮ সেকেন্দদা চেন্দুনা গোল্ড, সিলভর অমসুং ব্রোঞ্জ লৌখি।

নুপীগী চহী ৩৫ গী জেল্লিন থ্রোদা এস নলিনি দেবী, এস লক্ষমী অমদি আর কে সর্জুবালানা মথংশিংনা ১৭.০০ মিটর, ১৫.৬৫ মিটর অমদি ৯.৩৩ মিটর লংদুনা গোল্ড, সিলভর অমসুং ব্রোঞ্জ লৌখি। ইভেন্ট অসিগী চহী ৪৫ গীদা এল জয়েন্তি দেবী, এল অরুনা দেবী অমদি ৱাই ইনাওবী দেবীনা গোল্ড, সিলভর অমসুং ব্রোঞ্জ লৌখি।

চহী ৫০ গীদা হোইনু, এল দোলি অমদি এল দেবরাসিনা গোল্ড, সিলভর অমসুং ব্রোঞ্জ লৌখি। চহী ৫৫ গীদা ঐচ বিমোলা, এন প্রেমা অমদি জাংনুনা গোল্ড, সিলভর অমসুং ব্রোঞ্জ লৌখি। চহী ৬০ গীদা টি ঐচ বিনো, এস ইবেতোম্বী অমদি এস পুর্ণিমাসিনা গোল্ড, সিলভর অমসুং ব্রোঞ্জ লৌখি। চহী ৬৫ গীদা এ তোম্বী, এ সুমতি অমদি এল মেমচানা গোল্ড, সিলভর অমসুং ব্রোঞ্জ লৌখি।

# নাওরেম লৈকাইগী বেটমিন্টন কোর্ট শঙ্গাখ্রে

*ইম্ফাল, জনুৱারি ১৩ঃ* নোংপোক নিংথৌ পান্থোইবী বেটমিন্টন এসোসিয়েসননা মমাং চহীগী মার্চ থাদগী ককৱা নাওরেম লৈকাই কম্যুনিটি হোলদা লুপা লাক্ষ অহুম রোম চঙনা শারকখিবা বেটমিন্টন কোর্ট ঙসি লংথবাল কেন্দ্রগী এম এল এ কে শ্যাম সিংহনা শঙ্গাখ্রে।

কে শ্যাম সিংহনা ফোঙদোকখিবদা কোর্ট অসিনা লংথবাল কেন্দ্রগী মনুংদা নেস্নেল লেভেলগী থাক্তা লৈবা অহানবা কোর্ট ওইরি। মহাক্না মখা তানা হায়খিবদা অসিগুম্বা কোর্ট অমা লৈবা অসিনা থোংজু, সিংজমৈ অমদি লংথবাল কেন্দ্রগী মনুংদা লৈরিবা নহারোলশিংদা অচৌবা কান্নবা অমা পীবা ঙম্লগনি। হৌজিক্কী নহারোলশিংনা নিষা ইপাক্তা তাওদুনা লৈরিবা অসি কোর্ট অসি লৈবনা মরম ওইরগা শান্ন-খোৎনবদা পুক্নিং চিংশিনহনবা ঙম্লগনি হায়বগী চাওনা থাজবা লৈ। চাওখৎ থৌরাংগী পায়খৎলকপা থবক থৌরম খুদিংমক্তা মহাক্কী মায়কৈদগীসু অঙম্বা মতেং পাঙগনি হায়খি।



এম এল এ করাম শ্যামনা নাওরেম লৈকাই বেটমিন্টন কোর্ট শঙ্গাখিবা।

নোংপোক নিংথৌ পান্থোইবী বেটমিন্টন এসোসিয়েসননা য়াম্না ৱানা শেমগৎলকখিবা বেটমিন্টন কোর্ট অসিগী অচংবা শেনফম পুন্নমক লৈবাক্কীদমক য়েংলগা মহাক্না পুথোক্লগনি হায়না মীয়াম মমাংদা লাওথোকখি। কোর্ট শঙ্গাবগী থৌরম অদুদা লাংথবাল মন্ত্রিখোং নাওরেম লৈকাই গ্রাম পঞ্চায়েটকী প্রধান অরাম্বম ইমোতোম্বা সিংহ অমদি এন ৱাই কেগী এদভাইজর এন ইবোহল সিংহনা প্রসিদেন্ট অমসুং গেষ্ট ওফ ওনর ওইখি।

## দি জি এ আর কপ ইক্বেষ্ট্রেন হৌরগনি

*ইম্ফাল, জনুৱারি ১৩ঃ* মণিপুর ইক্বেষ্ট্রেন এসোসিয়েসননা শিন্দুনা মথং থাগী ১ দগী ৪ ফাওবা ইম্ফালগী পোলো গ্রাউন্দদা ১১ শুবা দিরেক্টর জেনরেল আসাম রাইফলস কপ ষ্টেট ইক্বেষ্ট্রেন চেম্পিয়নসিপ ২০১৪ হৌরগনি।

চেম্পিয়নসিপ অসিগী ফোম পীশিনবগী অরোইবা তারিখনা থা অসিগী ২৮ ফাওবা ওইগনি। অকুপ্পা মরোল মণিপুর ইক্বেষ্ট্রেন এসোসিয়েসনগী জোইন্ট ওর্গনাইজিং সেক্রেটরি কে ধনচন্দ্র শর্ম্মদগী খঙলবা য়াগনি।

## হজারি অমদি তোম্বী পোলো টুর্নামেন্ট

*ইম্ফাল, জনুৱারি ১৩ঃ* মণিপুর হোর্স রাইদিং এণ্ড পোলো এসোসিয়েসননা শিন্দুনা থা অসিগী ১৭ তগী ইম্ফালগী পোলো গ্রাউন্দদা ২৯ শুবা এন হজারি অমদি ডাঃ তোম্বী ষ্টেট পোলো টুর্নামেন্ট ২০১৪ হৌরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ফোর্ম পীশিনবগী অরোইবা তারিখনা থা অসিগী ১৫ ফাওবা ওইগনি। অকুপ্পা মরোল এসোসিয়েসন অসিগী সেক্রেটরি কে ধনচন্দ্র শর্ম্ম অমদি এস গীরিমোহোন সিংহদগী খঙলবা য়াগনি।

## গ্রাস রুট কোর্স

*ইম্ফাল, জনুৱারি ১৩ঃ* ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসননা শিন্দুনা থা অসিগী ১৬ তগী ১৮ ফাওবা ফিফাগী ইন্সট্রক্টর মিটর এন্থোনি ফ্রোসকী মখাদা ফিফা-এফ এফ এ-অন্ফা গ্রাস রুট পাঙথোক্লগনি

# নেস্নেল স্কুল গেমস্তা শরুক য়াগদবা ফুটবোল টিম অনী ইম্ফাল থাদোকখ্রে

*ইম্ফাল, জনুৱারি ১৩ঃ* ৱেষ্ট বেঙ্গলগী কোলকটাদা থা অসিগী ১৬ তগী ২২ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ৫৯ শুবা নেস্নেল স্কুল গেমস ফুটবোল চহী ১৪ মখাগী নুপামচা অমসুং নুপীমচাগীদা শরুক য়াগদবা মণিপুরগী টিম ঙসি খুমন লম্পাক্তগী কোলকটাগীদমক ইম্ফাল থাদোকখ্রে।



নুপামচা ফুটবোল টিমগী ওইনা শরুক য়াগদবা শান্নরোইশিং অদুদি ইম্ফাল ৱেষ্টকী এল অজিৎ, এম দি ইমরান খান, আর জাইমৈ, থৌবালগী এম রাজেশ, টি ঐচ জেমস, সি ঐচ জেকসন, ইম্ফাল ইষ্টকী এম চলাম্বা, সানরৈসাং সারিয়ো, কে ঐচ বিশ্বামিত্রা, এল জেকসন, দব্লিউ মাইকেল, এম রেবান্ত, বিষ্ণুপুরগী কে ঐচ জোনসন, কে ঐচ ইনাকখুনবা, এল জেকসন, চুড়াচান্দপুরগী মানমিন্থাং অমদি চান্দেলগী এস ঐচ মার্কোনি, উখ্রুলগী হোপ্পিং ফোইরেনি।

# ১০ শুবা জিরি কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট হৌখ্রে

FOOTBALL

*ইম্ফাল, জনুৱারি ১৩ঃ* ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা ঙসিদগী জিরিবাম হায়র সেকেন্দরি স্কুল প্লে গ্রাউন্দদা ১০ শুবা জিরি কপ ইনভাইতেসন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৪ হৌখ্রে।



টুর্নামেন্ট হৌদোকপগী থৌরম অদুদা মাহুদকী দিরেক্টর সুন্দরলাল সিংহ (আই এ এস), ওল জিরিবাম স্পোর্টস এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট এম ব্রজকান্ত সিংহ, ২৭ শুবা এ আরগী কমান্দেন্ট ঐচ রোমেন সিংহ অমদি ইম্ফাল ইষ্ট জিলা পরিষদকী উপা ধ্যক্ষ্যা কে ঐচ ইবোমচা সিংহনা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমসুং গেষ্ট ওফ ওনর ওইখি।

ঙসি অহৌবা নুমিৎতা শান্নখিবা মেটচতা ফাইটোল য়ুঠ ক্লব টামেংলোংনা দাইদর য়ুঠ ক্লব কশার আসাম্বু টাই ব্রেক্তা গোল ১০-৯ দা মায়থীবা পীখ্রে। টিম অনীমক্না অপীবা মতমগী মনুংদা গোল ৪-৪ চন্নদুনা লৈনবদগী টাই ব্রেক্না মেটচ অদুগী লাইবক লেপ্পখি।

হয়েং চীরু স্পোর্টিং ক্লব কশার আসামগা কপাখল য়ুঠ ক্লব কশারগা শান্নগনি।

# য়ু বি এস এ অমদি আই ৱাই এ সেনা কপকী সেমি ফাইনেল চঙখ্রে

FOOTBALL

*ইম্ফাল, জনুৱারি ১৩ঃ* য়ু বি এস এ মন্তক অমদি আই ৱাই এ ককচিং ৱাইরি ১৫ শুবা সেনা কপ দিষ্ট্রিক্ট লেভেল সব জুনিয়র বোইজ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৪ গী সেমি ফাইনেল চঙখ্রে।

সেনা এথলেট ওর্গনাইজেসন ককচিং ৱাইরিনা শিন্দুনা ওর্গনাইজেসন অসিগী গ্রাউন্দদা চথরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা অহানবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা য়ু বি এস এ মন্তক্না কে টি সি ককচিংবু টাই ব্রেক্তা গোল ৬-৪ দা মায়থীবা পীরগা সেমি ফাইনেল চঙখিবনি। টিম অনীমক্না অপীবা মতমগী মনুংদা গোল ২-২ চন্নখি।

অনীশুবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতনা আই ৱাই এ ককচিংনা এ কে এস এ ককচিং খুনৌবু গোল ৬-০ দা মায়থীবা পীরগা সেমি ফাইনেল চঙখিবনি। আই ৱাই এ গী গোলশিং অদু মনিতোম্বা, হেম্বা, পৃথিবা, ওলেন, রাহুল অমদি রোনাল্ডোনা অমমম চনখিবনি। হয়েং ৱাই পি ও সোরাগা সাউ ককচিংগা অমদি এস দব্লিউ সিগা এ ভি ওগা শান্নগনি।

# দেবলা ট্রোফি ক্রিকেটতা এল সি এ অমদি আই এন মায় পাকখ্রে

CRICKET

*ইম্ফাল, জনুৱারি ১৩ঃ* বাসু গ্রাউন্দ খাঙবোক্তা চথরিবা ১৭ শুবা ষ্টেট লেভেল ওপন দেবলা মেমোরিয়েল ট্রোফি টেন্নিসু বোল ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০১৪গী ঙসি শান্নখিবা তোঙান তোঙানবা গ্রুপকী লীগ মেটচশিংদা এল সি এ খাঙবোক অমদি আই এন শগোলতোংবা মায় পাকখ্রে।

অহানবা শান্নখিবা গ্রুপ (আই)গী মেটচতা এল সি এনা এমাজিং এলভেন ষ্টার শগোলবন্দবু রন ৭৫ দা মায়থীবা পীখি। এল সি এ না অহানবা ইনিংসকী বেট্টিং তৌখিবদা অপীবা ওভর ১৫ দা ৱিকেট ৬ তুরগা রন ১১৩ লৌখি। এমাজিং এলভেন ষ্টারনা অনীশুবা ইনিংসকী বেট্টিং তৌখিবদা ওভর ১২.১ দা ওল আউট ওইরগা শুপ্নতগী রন ৩৮ খক লৌখি। মেন ওফ দি মেটচনা এল সি এগী এল জয়না তাখি।

অনীশুবদা শান্নখিবা গ্রুপ (এ)গী মেটচতা আই এন শগোলতোম্বনা এস এস সি সি নাওরিয়া পাখঙলাকপু ৱিকেট ৪ দা মায়থীবা পীখ্রে। মেন ওফ দি মেটচনা আই এনগী ব্রজনা তাখি।












Published by Nongpok Publishers Pvt.Ltd, Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hajari Leikai Imphal Editor in charge: **H. Achouba Sharma,** RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, 2441490
e-mail : sanaleibakdaily@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com,